*অচম্বগী চাংয়েংদি নুংঙাইবা নত্তে, অচম্বদি নুংঙাইবদগী লাপ্না লৈবনি।*
*- বিবেকানন্দ*

# শৈরেং

## শজিবু চৈরাওবা লাকপদা

**— থোকচোম সনায়াইমা**

শজিবু চৈরাওবনা লাকপসে
খোইনৌ ইতা ময়াম নীংশিংই
মায়কৈ ফাংনা ওংখিবী
নুংশিজখ্রেদকো খোইনৌ ওইবী ইতারোই
চৈরাও চীংবু কামিন্নখিবী
নুংশিদ্রনে পোইনু ৱাকচীং উলেন খাং,
লাম্মৈ মৈরি মৈচাক নংলবী
চীংমায় নাপোম পূমতাক তাক
ফাইরেল লমতাগী কুমদম নোংলিক্না
লাইজ ঈরিক ফংজবদা
লৈশানুংগী মরুদ্দগী
নেম নেম য়েন্নৌ য়েন্নীং
খিং খিং মকা লাম
তনৌ তনীং য়েনিংহুন।
উপাল ৱাপাল হৈরাং লৈরাং
লৌবুক লম্মাং লোইরোই তময়া
চীংমাই নাপোম শংত্রিক শং
লাম্মৈ মৈরিনা চিংখিবীরল্লবী
লৈরাং লেরি কৌবীদো
তময়া ঙাল্লি ঙৌরোক ঙৌ
তেরা মপাল তঙাংবী
চিন্থ্রাও মপাল লেমজবী
নোবাব মপান নাপল চাউবী
থম্মোয় মকা লামহনবী
লৈহাও লৈরেন লৈনম
মধুমতি লৈনম্না তাংজবী
খোঙ্গুল মেলৈ য়েরুমলৈ
ক্বাকলৈ চরোং চরোংনি
লিমপোপ মপাল শংত্রিক
লৈরাং পরেংনি নীংথিখ্রে।
ইতা ময়াম লোয়নবা
চীংবু কামিন্নখি
চীংঙু খুভমদগী থোক্লকপা
শজিবু নোংলৈ মায়োক্নে
নোংথাং-ও, খোংবা-লাওব-ও
উরু উরু ফেরে ফেরে
অস! মথোং খঙখিদে
চীংলৈবাক্না খোঙ থাংবা য়াদে
নানবনা চৎপা য়াদে
উপাল পায়র কুম্লকই
চীংঙু খুভমগী শিন্দুরনা
য়ায়ৌনা চেন্থে
অতৈ মতৌ তম্না য়েং শিথ-শিথ নোকপদো
শজিবু চৈরাওবনা লাকপদা
নুংশিখ্রে, নীংশিংবদা ইতারোই।

## ইচিল ইপ্পাবু ৱারৌনুকো মমা

**— জ্ঞানন্দ নাওরেম**

ইচিল ইপ্পাবু ৱারৌনুকো মমা
তাইবঙ শেন্বীবা মপু মহাক্না
কুইনা লৈমীন্নৌ তল্লমদ্রমাল্লে
তাইবঙসিদা!!
মমানা নুংশিনা ইনবীখিবা
খোল্লাংদুনা ইচলগী অরোইবা ওইখ্রেদো
তাইবঙ চীঙ্গাক চিন্দমখিদ্রেদো!!
মমাগী খোল্লাং লমন শিংঙমখিদ্রে
ইচল অমদি ঐহাক্না
মমা ৱারৌনুকো নচা ঐখোয়বু!!
চৎলগেকো মমা ইচিল ইপ্পাদি
তাইবঙ মপুনা শেন্বীরম্বা
লৈগী দোলাই তোংদুনা
তাইবঙ মপুগী মনাক্তুদা!!
মমাগী তম্পাকথক্তা ইচলনা
ওন্না থোইনা শান্নজবদো
কুইনা ফংজখিদ্রবসু
মবুং ঐগী তম্পাকথকসিদা
ওন্না থোইনা শান্নজরসনু
লাইরমলেনসিদা!!
মীরমলেন্দুদা মবুং ঐনা ইচলগীদমক
করিসু তৌজবা ঙমখিদ্রবসু
ইচলগীদমক হোৎনরমখিনি লাইরমলেনসিদা!!
তাইবঙ অৱা নুংঙাইফাও খঙজদ্রিবা
ঐ অমদি ইচলনা
নখোয়দা করিবু লানখিবগে
মীনুংশি হৈতবা মীহাৎপশা!!
তাইবঙ মপুনা নখোয়গী নথক্তসু
অসিগুম্বা অৱাবা চাম্মা চাম্মা
পীনবীবা ওইরসনু মীফৎতশা!!

## অমুক হল্লকউ য়াদবনি

**— আর কে মীনা**

কায়হল্লি থম্মোয়বু মচেৎ মচেৎ
কয়ারক হন্না হন্না হিংলিঙৈসিদা
ঈরাক্নহল্লি নুংশিবগী ঈপাক্তা
হঞ্জিন-হঞ্জিন মশীং থীবা ঙমদমখে
নুংশিবগী ঈরৈনা লুপহনখি
পূন্সিসে মফম খঙদনা
ৱাহল্লি মতম খুদিং
মফম মতম নাইদনা।
ঈশ্বরগী মীংলেনদি নুংশিবনি
মপু মহাক্কী লন্থীদি থৌজাল হৈবনি
নুংশিহৈরবা মহাক অদুদি ঈশ্বরগী মশক্কি
থৌজাল হৈবা মহাক অদুদি ঈশ্বরগী
লন্থীদা চৎকনি পূন্নমক্না অদুমক শোন্নৈ
থবক অমা তৌবদা য়েৎনগনু
নুংশিবনা মাঙ থারগা হরাওনা তয়াম্না হোৎনৌ
অমগা অমগা পাঙ্গল হাপকৎনৌ
ঈশ্বরনা নঙোন্দা পীরক্লিবা শক্তি থৌনা
মফম মতম চানা ইকায়খুম্নবা উৎলু
শক্তি শীজিন্নৌ কোককী লাননি
কান্নদবদা মতম মাঙহনগনু
হৌখিবা অমুক হল্লকউ য়াদবনি।

## শজিবু থা

**— খুম্বোংময়ূম বীমোলা**

লেপ্তুবা মতমগী খোঙচৎনা
অহৌবা অরোইবা ওইরিদো
খোইরাং খোইশাওনবী লমতা থা
খোঙদোই হুনখ্রে তাক্লমদনা নুংশি ৱারীগা ইরোয়ননা
নুমিৎ চয়োল পাবদি নোংমাইজিংনা হৌরিদো
থাচৎ থবান পাবনা শজিবুনা ওইরিদো
শজিবু থাদি কুমহৌ থা
মৈতৈ চহী হৌবা থা শজিবু চৈরাওবা পাঙথোক্নে
কুমগী লৈরাং কুশুমলৈ, কুমহৌরে তাকপা লৈ
কোম্বীরৈ ক্বাকলৈ য়াওরিদো
যূমগী লাইনিংথৌ ইপাদা হৈরি-হৈয়াই শুনা চেঙবী চেঙবা হৈরিদো
লৈমরেনবী ইমাদসু মচল চানা তমজৈদো
অথেনপোৎকা লোয়ননা ধুপ-মৈরা কৎচৈদো
থোঙবা লোইরবা মথেল-লুকোই
যূমগী থোঙ্গাল ৱাংমদা লম-লাইগী থাদোকচৈ
নীজহৌই অসুম্না - অনা অয়েক য়াওদবা, নুংঙাই-য়াইফবা পীবীরম্মু
ওইনীংবা ওইজসনু শজিবু নোংমা পানবদা চৈরাওবা
এপ্রিল ১৪দা চৈরাওবা শজিবু থাদি অমত্তনি।
অনী থোকপী অহুম থোকপী
কনানা চুল্লিবা কনানা শেংলিবা
লোইনা খম্বা নাইরোই য়েৎনবগী - অখঙ অহৈ য়াম্মী
শজিবু থাসিদা তাররে কুইনা তারুদ্রবা চেক্লা'মগী খোঞ্জেল
মথৌ চিন্না খোংলম্মী তিং কোং-কাং-কোং
ঙাইহাক ফাওবা পন্থরমদে
হনখিনি শোয়দনা কালেন থাগী থামৈদা
মথৌ মশক খঙবীনি।

## ইমাশিংগী থৌদাং

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ইমা কৈথেল অসিদদি
অমতনি অমনা পুরকপা
পোৎ অমনা লৈগনি অমনা
পুরকপা পোৎ অমনা অমুক
লৈখিগনি জাৎ-বিজাৎ খায়দে
অমসু অমসু চপ মান্নে।
ইমা কৈথেল অসিদা পুল্লরিবা
মখোয় মশেল অমগা
অমগা চামিন্নে থকমিন্নে,
কনাসু অশেং-অমাং
খায়দে অমসু অমসু
ইনুংদা নুংশিনৈ।
ইতা শান্নে, মরু-মপাং
ওইনা পূন্সিগী অৱা-নুংঙাই
ৱারী লীনৈ, ৱা-ৱা নোকমিন্নে
শিন্থা লোইরদুনা ঙহাকসু পোত্থামিন্নে।
মচা চাউনবা, মচা মহৈ তমহনবা
লৈবাক্কী থৌগায় ইমাশিং
অসিনা চিংখদনা য়াওই,
পূন্নমক ইমা কৈথেল অসিদা
তিল্লরিবা ইমাশিং অসিগী থৌদাংনি।

## লৈচিল মপৈ - ৮

পোম্বী চেক্লা কয়াসু তাইবঙ শিন্থা পাংনবা হারৌ ঙারৌ চেল্লক্লে। নোংপোক চীংখৈ ফূদোংলবী মাগী মশেক মঙালনা য়ৈবদা, অহিং লীক্লা তারুবগী মালেম পৃথিবী অসি পূল্লং লংলে। শুমাঙ মতোন ঙানবী সনারৈদদি নুংশুক নুংজাননা তূমিন্না লেপ্লি।

চাউবা মীকপতি থোক্লে অদুবু মশাদা হৈনীংবা অমত্তা পোক্তে। কৌরকই,

"ইবেনি, অঙাংশিংদু খরা হৌদোকউনে। হায় তারিব্রা নঙবো?"

"ও ঙমজদ্রে। নচাশিংসে হৌদোকপা।"

"ইহে, ওন্থোকপনীদা। হায় রাজেন...।"

"পাবুং।"

"হৌগৎলু, নচেদু হৌদোকউনে। নুমিৎসে থেঙলে।"

"হোয় পাবুং। ইচে, হৌগৎলো নুমিৎসে থেঙলে...।"

মৌপ্পানা মচেবু কৌরুবদা ইখুম খুল্লক্ত্রবদুদা কাঞ্চল হায়দোক্তুনা য়েংলুবদা মচে লৈরমদ্রে। মমায় লৈথোক্লকপদা টেবল মথক্তা চে অমা থুপ্তুনা লৈবা উবদা শ্বায় লাউনা, 'করিনোসিদি' হায়দুনা চে অদু পারগা কাদগী থোরক্লে।

"পাবুং, পাবুং ইচেদি লৈতে। মাগী টেবল মথক্তা চে অমা লৈরম্মী।"

চেদু মপাদা পীরে। করিনোনে হায়দুনা নাকলগী থোঙনাওদু হাংদোক্লগা চেদু পারি। 'পাবুং নচা লাইবক থীবীবু ৱারৌবীনুকো। নচাদি মীনা খঙ-উদ্রবা মফমদা চৎচরে। ইচেগী ইবুংঙো রাজেন, ইমা পাবুংগী মীৎকী পি তাহনগনু। - নখোয়গী লাইবক থীবা সোরো।'

"রাজেন, নচেদুবু কদায় তান্না চৎখ্রিবনো অমুক্তা য়েংলুচো। ইবেনি নঙসু হৌগৎলু।"

"হোয় পাবুং' হায়দুনা রাজেন মমাঙথোঙলোমদা থোকখি। 'পাবুং থোঙসু হাংই' হায়রল্লগা থোঙ হেক হাংদোকখিবদা ওইরল্লিবা ফীভমদু উবদা 'ইচে' হায়না লাউরগা চেনশিনখ্রে। রাজেনগী খোঞ্জেল তাবদা অহল অনীসু মপান থোরক্লে। ঈহিং নাহিং শারবা মচেগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংনা খাঙেনফমদা তাদুনা লৈরিবদু কোন্দুনা রাজেন কপ্লি।

"ইচে, ইচে করিনো তৌরিবসিবো। নৌপ্পাবু হুন্দোক্তুনা কদায়দা চৎলবগে। ঐবু কনাদা শিন্নরম্বগে? ইচে নীংঙমখিদ্রেদা। আ! নুংশি খঙদ্রবা ইমাগী চক্রিদা খাঙবা ঙমদ্রদুনা চৎলবকো। ইমা নঙসে ওন্থোক্না ফত্তেদা।"

**— সামোম রঘুমনি**

# লমদমসিদা মীতম শাদুনা খিলহৌগদবা লুচিংবা অমত্তংদি থোক্লকপা ফৈ



**মতম মতমগী ৱাখল**

**মাখোনমনি মোংসাবা**

লমদমসিগী মীপূম খূদিংমক,নুংঙাইতবা ফাওবা চপ মান্নে। শাওনিংবা, চৈনীংবা, ঙাঙনীংবা, তৌফম খঙদবা চপ মান্নে। মতমদি নোংমা নোংমগী হৌজিনখি। লৈখিদবশিংগী ইমুং মনুংখক্তনি হেন্না মৈচাক পুরমগদবা। অশিবতনা মাঙজৈ হেক হেক হায়নৈ। হৌজিক্তি,ঐখোয় মশেন হুন্নবা,অমনা অমবু চৈনবনা কান্নররোয়। ৱা কোইথোক্না শাংথনা ঙাঙবসু মীপূম খূদিংমক খঙনরবনিনা কনা অমত্তা তানিংলোয়।



মিডিয়াগী খন্ন-নৈনবা তাবদা, আইন খঙবা মীনা হায়বা ৱাফম খরদি ঐখোয় খূদিংমক্না খঙমিন্নবা চুম্মী। লৈপাক্কী ওইবা থৌদোক্না মরি লৈননা মীচম হাৎপা, হুরান চিন্থি তৌরকপদা ঙাকথোক্কদবা অমদি থিংগদবদি আইনগী মতেং খক্তনা ওইগদবনি হায়রি। আইন হায়বসি চৎননবগীদমক আইনগী মনুংদা এক্ট ময়াম অমা য়াওরি। এক্টশিং অসি চানবা মফমদা চৎনহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি হায়বসি অখঙবা মীনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রি। কনাগুম্বা মপানগী মীওইশিংনা, হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা তমথিবা থৌদোকশিং অসি মপান থোংদা য়েংলগা কাঙলুপ মশেলগী মনুংদা থোকপা অপীকপা খৎন চৈনবনি হায়বগুমসু তাখি। ৱাফমসি করম্বা মওংদা হায়রিবনো খঙদে, পূন্নাল লাল্লি। অচৌবা তমথিবা শীংনরকপা লালনি,চাউনা থৌরাং তৌরগা লান্দারকপা মীরোলদা হায়রগনা টেরোরিষ্টকী লান্দানি অখঙবা মীনা হায়রি। কাঙলুপ, ফুরুপ অমবু মুৎথৎনবা হোৎনরকপনি। মীচম হাৎপা, মীচমগী পূন্সিবু মাঙহন্নবা হোৎনবসি টেরোরিষ্টকী থৌওংনি হায়। টেরোরিষ্টকী মথক্তা চৎনগদবা আইনদি টেরোরিষ্টশিংবু মুৎথৎপা হায়বনি। মুৎথৎপা হায়বদি লোয়শিনবা, লৈহন্দবনি হায়বসি আইনগী মনুংদা য়াওরি হায়রি। মরাল লৈবা মী ফারগা কৈশুমশঙদা থল্লগা ৱায়েনবা, মরালগী মতুংইন্না শিবগী চৈরাক ফাওবা পীরিবসি আইনগী মনুংদনি। লুরিবদি আইনগী লাইরিকসি চৎনদনা থল্লকপদগী লৈঙাক্লোইশিংনা শোয়বনি হায়বসি মিডিয়াদা অখঙবশিংনা খুদোনবী থিন্দুনা মশীং খঙদনা তাকপীখ্রে। হন্দক মিডিয়াদা নুংতিগী তাবদগী আইন খঙদবা ইশামক আইন করিনো, করি করম্বা এক্টশিং লৈবগে ফনা য়াম্না খঙবা ঙল্লে। য়ারগদি লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা আইনগী মরমদা লৈবা, লো এক্সপর্টশিং শুনবা কৌবীদুনা মিডিয়াগী পেনেল ডিস্কসনশিংদা য়াওহনবীরক্লগদি মীচম মীয়াম ফন য়াম্না কান্নগনি। লোগী লাইরিক পাবা তনবা লুচিংবশিংসু খরদি খঙবা ঙমগদ্রা খঞ্জে।

লৈঙাকপশিংদা আইন খঙদে হেকমক হায়বসিসু ফজদে। থোক্লিবা থৌদোক, থৌওং ময়াম অসিদা মখোয়সু নুংঙাইতবা পেন্দবা ফাওরল্লোই হায়বসু হায়মনগনি। উরিবা,খঙলিবা তারিবনিনা, নুংঙাইতবা ফাওরমগনি অদুবু খঙন খঙনা, মীয়ামগী খোল্লাও তানা তানা করিমতা তৌবা ঙমদনা তূমিন্না লৈশিনবা ঙল্লিবা থম্মোয় অসিদনি মীয়াম্না খোয়শাওনরিবসি। মরমসি করিগীনো ৱাহংসিনি মীয়াম্না হংনরিবসি। লমদমসিগী এম এল এশিং অসি মীয়াম্না থাগৎখিবনি,মীয়ামগী মহুৎ মখোয়না শিল্লিবনি। মীয়াম্না থাগৎলগা কারকখিবনি হায়বসি এম এল এ শিংনা হেক হেক কাউথোক্লি। এম এল এ অমগী মপূন্সি চহী মঙা মঙাগীনি। লৈপাক মীয়াম্না অপূনবগী ওইনা লৌরকপা ৱারেপ্তুদি এম এল এ শিংসু মীয়ামগা নক্না চৎমিন্নবা, মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক পায়খৎফম থোকই। ভোট কাখ্রগা মীয়াম্না হায়বা তারক্তবসিদনি মীয়াম্না পেন্নদবদগী ঈরাং হৌরক্তুনা হায়হৈদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরক্লিবসি। এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা মতীং থোকপা ঙমদ্রিবসি মীচম মীয়াম্না খঙদবা,থবক্তা ওন্থোকপা য়াদবা অমা লৈরি হায়না মখোয় খক্তনা খঙজবা অমা লৈবগুম্না তৌরি। ঙমদবা, তৌবা য়াদবা অদু করিনো মদুসু মীয়ামদা হায়দোক্তে। খঙমিন্নবা, অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবসি করিগী তৌদবনো ?

পার্টি হায়বসি লুপ অমনি। লুপ অমগী লুচিংবশিংনা চৎথরিবা থৌওং অসিনা ঐগী ইরমদমগী মীয়ামদা অৱাবা নুংঙাইতবা পীগদবা ওইরগদি মাগী পার্টি অদুদা য়ানীংদে হায়বা ঙমদবসি করিগীনো ? ঐগী মীয়াম্না য়াদ্রে, ঐদি মীয়ামগীনি হায়বসি খনবীরগদি, পার্টি অদুগী লুচিংবা অদুদা ঐখোয়গী মীয়ামগী অপাম্বসি ওইহন্দ্রগদি ঐহাক য়াওদ্রে হায়না থোক্লকপা ঙমদবসিনা করিগীনো ? মসিনি ভোট হেক কাখিবগা কাউথোক্লিবসি। ৱাহৈদি ফজদ্রে,এম এল এ ওইদবা মীচম ওইরকপা, চাউরম্বদগী পীকথরকপা মতমদা মীয়ামগী ৱা তাদনা নাথৈরুবদুনা মরান লৈরবা অমগুম্না মীরক তিনবসু ঙমদা, টিভিগী পাউ তারগা, খবর পাউচে ময়াম পারগা কা মনুংদগী হেন্দনা লেনবা মতম লাকখিগনি। অফবা লৈপাক্কী, মীয়ামগী খন্না শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংদি অদুম তুংকোইনা শোন্নগনি। মীয়াম্না য়াখিদবা এম এল এ, মন্ত্রিশিং মিং ফাওবা পন্নদবা, পল্লগসু থিনা থিনা হায়নহৌবা তারগা পেন্দবা ফাওরক্কনি। মসি থোক্তনবা লুচিংবা ওইবীনিংবা মীয়ামগী চোংথোকপীরক্লগদি মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা তৌবীগদবনি। ৱাফমসি য়ৌনা মীচম্না তকফমদি থোক্তে খঞ্জে। এম এল এ ওইখিবা মন্ত্রি ওইখিবা হায়বসি মীয়াম্না লৈপাক্কী থবক পুহনবতনি। মসিদা মখোয়না চাউরি মখোয়না মপু ওইরি খঞ্জরিবসি এম এল এ ওইদবা নুমিৎতদি মীচম্লি।

নুংঙাইতবা খরা অমসু মীয়াম মরক্তা উবা ঙম্মী। মাগী মাগী কেন্দ্র হায়বা তারে। মাইকৈ মাইকৈদগী থাগৎপীরকপা মীয়াম্না মাগী মাগী মীরেপশিংবু লুনা খল্লি। মখোয় মখোয়গী কেন্দিদেটশিং শোক্লকপদা মখোয়না মকন্থি থোক্না শাওই। মসিদি হৌনশানি। হেন্না মীচং চঙলিবসিনা কান্নবা খরা হেন্না ফংবা মীনা তৌগল্লি। হৌজিকসু পাউনিলখোন খরা খরা তারকই মদুদি কন্না চেল্লম্বা মাগী মীদো য়ানদ্রে হায়রে, খৎনরে হায়রে। চোংথোকখ্রে অতোপ্পদা য়াওরে অসিনচিংবা কয়ানি। চেন্থোক্নরকপগী মরম ময়াম লৈরমগনি। অসিগুম্বা ৱাফমসি কেন্দিদেটকা নকশিন্না কোয়চেন চেনবা মীওইশিংগী মরক্তা থোক্পা ৱানি। য়াওদবা মীচমশিংগী মফমদদি করিসু নত্তে। হৌজিক ভোট ময়া নকশিন্নরকপসিদা ৱার্কর মরক্তসু য়ানদবা চোংথোক্লবা হৌনবা য়াওনরকপা মাল্লি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু অফববু তৌরবা মহাক অদুদি মতম চুপ্পদা শোন্নগনি। মীয়ামগী খনবা, মীয়ামগী মাং থানা চোংথোকপা মহাক অদু নৎত্রনে মীয়ামগী লুচিংবা হায়বসিবো ?

মতম অসি মতাম্লি। মী লোয়নমক ৱা ঙাঙঙি। নহা-অহল,ইথক থোংবা,ওজ-গুরু,মমা-মপা হায়বগী থক্তি-খাসি থোইনা থম্নদ্রে। ঙাঙনিংবা মনীং তম্নরি, চৈরি। খজিক্তা হায়রকপদা খুম্নবনা হেল্লি। মী লোয়নমক শঙ শঙদুনা ঙাঙই। অথোৎপা অমেঙবা ফিদম্নফম ওইবা ৱাঙাঙশিং ঐখোয়গী ইরক্তগী মাঙখিবসিমদি থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে। থৌদোক কয়া থোকখ্রে, মরাল লৈজদবা মীচম কয়াগী পূন্সি পীখম্নখ্রে। ঐ ঐগী ইশা অমদি ইমুং-মনুং মরি মতাগী মী শোক্লক্তে হায়বগী ঙাইবদা তারে। তৌরিবা মতা থোক্লিবা ঈরাংসিনদি ঐগীসু শরুক থুংলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মদুরা ঐখোয়না ঙাইনরিবসি ৱাহংসি হংবদা তারকই। পাউখুমসু ইথন্তা পীবা নত্তনা কনা অমত্তনদি পীররোই। অদুনদি করি তৌবা তাবগে হায়বা ৱাফম অসি মীয়াম অমত্তা ওইনা খঙমিন্নসি হায়বনি হৌরিবা ঈহৌসি।

ৱা য়াম্না হায়নীংঙাই লৈতে। খ্বাইদগী তানীংদবসি শাংনা ঙাঙবা অমদি হঞ্জিনবা ৱা ঙাঙবসিনা হৌজিক ওইবগুম তৌই। ইরান ইরাগকী লালসিদা মালেমগী অহুমশুবা লাল, থর্দ ৱার্ল্ড ৱার অমা নক্না থোক্ত থোক্লদগুম খনখি। থা তরুক ওইরমাল্লে সিজ ফয়ার তৌনরে হায়না থেংনখি। কনখ্রবা লাল ফাওবা ৱারী শান্নগদৌরি, য়ানবা পুরক্কদৌরি। ঐখোয়গীসিনা করিনো খঙদে। মীওইবা কাঙলুপ ফুরুপ অমগী অঙাং নুপী হাৎপা লেপত্রি। ঈরাং থোক্নবা হৌবসি অঙাং নুপী হাৎপদগী হৌরি। অঙাংশিং মোরোক মৈ থারগা হাৎখি,মমাগী মতম্বাক্তগী অপীকপা অঙাং মুল্লগা নুংপাক্তা হাইহৎলগা হাৎখি হায়বা অৱাগী মীহাৎ ৱারী ওইনা লীনরকপদু হৌজিক্তি অনৌবা থোক্লকপা এ.আই (আর্টফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স) না তৌবগুম্না ইলাই লাইনা তৌরি ঙমদবা লৈত্রে। মীহাৎ মশক ওন্থোক্লগা তমথীনা বোম্না নোংমৈদগী হেন্দোকখিদুনা বোম, বোম অপাইবী শীজিন্নদুনা, বোম দোলাই তোংহল্লগা যুমদা ফল্লগা পাইরকহনবা ঙম্নরি। তৌদবা শাবা খঙদবা শাবসু হৈনবগুম তৌরি। মী থেম্বা,থাজহনবা, মালহনবা লোয়না হৈনরি। অনৌবা থোক্লকপা এ.আই অদুদগী হেনবা ঙাক্তনি।

খ্বাইদগী নুংঙাইতবসি খঙজদ্রিবা পীক্লিবা মবুংনা মচন অপীশক্তা নুংশিনা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদা উৎলিবা মরোল থোক্তনা হায়রিবা ৱাহৈ ময়াম অসি তাবা ঙমদ্রিবা থম্মোয় অদুদি তুকৎচৈ। অঙাং ওইরিঙৈদা তারকখি, লাঙ্গোলদা লৈরিবা থোঙাক লাইরেম্বী ইমাগী শঙলেন্দা খিল্লিবা চফু অসিদা শজিফুগী চৈরাওবা নুমিৎতা অনকপদা লৈবা মীয়াম্না চফু অসিদা কুম খুদিংগী ঈশিং থন্নবা হৈবীরি। খম্লুং লম্বীদা চৎখিগদবা শিখ্রবা অপীকপা অঙাংশিংন খরুং অসিদগী ইশিং থকপা লাকখি। অপীকপা অঙাংশিংনা ঈশিং চফু অসিদগী ঈশিং থকপদা লাম্বা ফংদদুনা অশোক অপন নংঙি। মসিগী খুদমদি ঈশিং পুন অসিগী মপান্দা ঈ তৈরম্মী অসুম্না থাজনখিবা ঐখোয়না তারকখি। হন্দক্কী লাইবক থিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মরাল লৈজদ্রবা অপীকপা অঙাংশিংদু ঈশিং থকপা ফংহনবীদুনা ঈংনা চিক্না মপুগী নাক্তা পোত্থারুনবা থোঙাক লাইরেম্বী ইমাগী মফমদগী নীজরি। অদুগা মীনুংশি খঙদবা মখোয়বুদি মতীক চাবা চৈরাক অঙম্বনা পীবা ওইসনু। মথং,কনাগী মরাইবক্তা করি থোক্লগদৌরিবনো হংবা নত্তনা পেন্দি পেন্দ্রে,। হায়নীংঙাইসু লৈত্রে। ৱাহংদি হংনিংঙি মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীগদবা লৈপাকসিগী অশেঙবা মপুসি কনানো ? ●

**ৱারী ককনাউ**

# ফদিগোম

"ফদিগোমসিবু কয়া পীগে?"

"লুপা তরাখক্তনি, লৌবীখ্রো, অতৈ অপাম্বা খরসু লৌবীয়ু"

"অতৈদি য়ারে, ফদিগোমসিবু কৈগীনো অসুক য়াম তাঙলিসিবো?"

"ঐখোয়না নত্তে, ঐখোয়না লৌরকপসু লুপা তরাদা অদুম লৌরকপনি, মপুন মশীং খরা য়াম্না লৌরবদি অনী/অহুম হাপ্পীরকপদুনা ঐখোয়গী শেন্দোং ওইজরিবনি"

"কাইদৈনোদা, ফদিগোমদবু সুক তাঙবা হৌনদে, মপুন পীকক্রসিদা"

"য়াদদুনা তৌবনি ৱারৌবীনু"

"সে-সে... মপুন অহুম লৌগে কুন পীরম্মগেকো"

"অদুদি য়ারোইয়ে, ঙসাই মল্লিঙৈদগী পোথাং লৌরগা য়োঞ্জরিবনি, ইশাগী ইঙ্খোলদা থাজবসু নত্তে। লল্লোনবীদগী মথাং-মথাং লৌজরকপনি, লুপা তরা অদুম তৌবীয়ু"

"কৈনোনে, নোইসু মশীং য়াম্না লৌবদা মীনা হাপ্পকইদুদি, ঐসু মপুন অহুমসি লৌরগে লুপা কুন পীরগে হায়বসি য়ারে কৈনো"

"ইবুংঙো, অচৌ অশাংসু য়াম্না মাল্লি, অচৌবা কার তোংদুনা লাক্লগা, ফদিগোম মপুন মচাসিদা মমল হুন্নবিগনু, ঐখোয় লায়রবগীসু খরা য়েংবীয়ু, নোংমগী লুপা চাম্মা/চনী তোংজবসিনা যূম পুনরিবনি, চেঙ ৱাল্লগা যূমদা হঞ্জখিগদৌরিবনি"

"তানীংদেদা, ফদিগোম মপুন মচা অমগীদমক ৱা ঙাঙনবা ইকায়দা। য়ারগা লৌরগে, য়াদ্রে তোক্লগে"

"ইবুংঙো, ইমাসু য়োঞ্জরিবনিনা লৌদি লৌহন্নীংই, অদুবু লুপা কুনগী মপুন অহুম তৌ হায়বদুমদি ঙল্লরোই"

"অদু ওইরগা তোক্লেদনা"

ইবোচৌ মখূৎনা ফজবা মপুন অহুম খনগৎতুনা পায়রবা ফদিগোমদু লুপা কুনগী অহুম তৌ য়াদে হায়দুনা, ফিমন অমনা মকোক খুম্মগা, শোঞ্জু-মাঞ্জু পোৎ য়োল্লিবী ইমা অদুগী চেরং মচা অমদা চাইথোক্তুনা থল্লিবা ফদিগোম মরক্তুদা পোপ লাওনা থাদৈ। মাগী মতৌদু উবদা পোৎ য়োল্লিবী ইমাদু য়াম্না নুংঙাইতে। "লৌদ্রসু তোকউ ফজনা থম্বীবসু ময়ায় হায়না মপূক্লিংদা খল্লি, করিগীনো ইনাক কৈরাক খুনবশিং অসিনা লায়রবা ঐখোয়বু অসুক য়াম্না উশিৎপীদ্রিসিবো?" মপূক্লিংদা খল্লগা পোৎতু লৌশিল্লগা মফম চানা থম্মী। মপূক্লিংদদি অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে। তাঞ্জাদুদা ওফিসর ইবোচৌবগী ড্রাইভর ওইরমাল্লে, মখূৎতা ঙা অচৌবা অমা য়াল্লদুনা পুরক্লগা হায়রৈ-

"সার, কেজি ৫গা গ্রাম ৩০০ তাবনি। শেলদি খরা ৱাংই। কেজিদা লুপা ৪৫০ হায় কমাই তৌসিগে?"

ইবোচৌবনা ঙাদুদা য়েংলগা য়াম্না পোঙনা হায়রকই-

"য়ারে কৈনো লৌরো, কয়া তারে"

"লিশীং অহুম পীবিরকও সার, অদুদগী হন্দোক-হঞ্জিন তৌহল্লগে?" ইবোচৌবনা মাগী কোটকী ফুরিৎখাওদগী লুপা ৫০০ চৎপী মপুন অমা লৌথোক্তুনা লিশীং অহুম শৎলগা পীখি।

"সে-সে-সে" ড্রাইভরদু ঙাদু য়াল্লগা শেলদু লৌরগা থুনা চৎখি। ইবোচৌবা পোৎফমদুদগী খোঙকাপ অমা-অনী চৎথোক্লগা লেপ্তুনা য়েংদুনা লৈ। ফদিগোম য়োনবী ইমাদুনা তুফক-তুফাই চন্দুনা মখুদু মখূৎনা পুল্লগা মাগী ফদিগোম লৈবীনবা মী ঙাইদুনা লৈরি। অদুবু মাগী ৱাখলদদি লেপ্তুনা খল্লি। শেল পায়বা, মশা নানবা, কার অচৌবা তোংবা ঙাজাউ লৈবা ঙম্বা মীদুনা ফদিগোম লুপা তরা পীবা মপুন অমা লৈবা ঙমদবদুগী মরমদা। ড্রাইভরসু হল্লক্লে, ঙাদু কারদুগী মনীংদা হাপখ্রে। অদুগা মখা তানা ইবোচৌবগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা হংলৈ।

"সার ফদিগোম খরগা লৈরকউ হায়না মেদামনা হায়রকপনি। সিদগীসি ফসু ফজৈ, য়াম্না তেকই, মপুন অমা অনীদা লৌখিসি"

"য়াম তাঙিনে... মমল য়াম্না হেন্না হায়নে?"

"কয়া হায়নো সার?"

"মপুন পীকক্রসিদা লুপা তরানি হায়"

"অদুদি লোইনা পীরবনি, হৌজিক ফদিগোম খরসু তাঙবনি"

"অদু ওইরসু, ফদিগোম থাক্ত্রদি য়াদ্রবো?"

"সার মেদামনা হায়রকপনি, হোরেন ঐঙোন্দা ওইনা চৈবীরনি, ঐ ওইনা লৈরক্লগে"

ড্রাইভরদুনা মনাক্তা লৈরিবা ইমাদুগী পোৎফমদা চঙশিল্লগা ফদিগোম মমল হংলকই।

"ইমাগী ফদিগোমসি লুপা তরা তরানি হায়রিরা?"

"মানি ইবুংঙো? মপুন মঙা য়োনবদা ইমাসু শুপ্নগী লুপা তরাংখক্তা তোংলিবনি"

"হোয়-হোয়, অদো ইমা মপুন অহুমখক্তা পীবিয়ুবা?" ড্রাইভরদুনা মাগী ফুরিৎখাওদগী লুপা তরা চৎপী অহুম লৌথোক্লগা ইমাদুদা পী। ইমাদুনা শেলদু লৌশিল্লগা,

"ইবুংঙো অপাম্বা খল্লো"

"য়ারেদা ইমা, খন্নীংঙাই করিসু য়াওদে, অদুম পীবিরকও"। ইমাদুনা ফদিগোম মপুন অহুম পীরকই। ইবোচৌবনা য়েংলম্বদগী মাগী ড্রাইভরদা হায়রকই।

"কৈগীনো মমল হেঞ্জিন্না লৈরিদুবো?"। ঙসাইখৈ খাঙদুনা লৈরম্বা ইমাদু খরা ৱারৌরকই। হন্দক্তি মরীল ফুদোক্তুনা ৱা হায়রকই-

"য়ানি য়ানি লৌবীদ্রসু য়াই। লুপা তরা পীবা ফদিগোমদা অদুক য়াম্না তুকা থিদুনা হায়বীগদবা নত্তে। নহাক্কুম্বা মীনা অচৌ-অশাং ওইরগা লায়রবা মীয়াম, লৈবাক মীয়াম অমদি তুংদা হৌরক্লিবা খুন্নাই অসিগী করিবু তৌগদৌরিবনো? নঙনা শেল য়াম্না পায়রম্বদি য়াই অদুবু লায়রবা ফদিগোম য়োনবী ঐনা নঙগী নথম্মোয় মশক মুন্না খঙই। ঙাজাউ লৈবদা অহায়বা মমল পীথোকপা ঙম্বা, নঙনা লুপা তরা পীবা ফদিগোমদা চোপ্পা। সে শেল সিদা লৈরে। অতোপ্পদগী লৈবীরো।"

"কৈনো নঙনা হায়রিদো?" ইবোচৌবা পিং লাউনা শাওরক্তুনা ফদিগোম য়োনবী লায়রবী ইমাদুদা মমিৎ-মনা শংদোক্তুনা ওনশিল্লকই। মাগী ড্রাইভরনা খাম্মী।

"সার...সার...চৎলসি" হায়রগা গাড়ী ফাওবা পুরগা চৎখি। ফদিগোম য়োনবী ইমাদুনা ইবোচৌবগী মতৌদুদা মথম্মোয় মনুংদা পেন্না নোক্তুনা য়েংহৌই।

"সিনবু লৈবাক মীয়ামগী করি অফবা থবক তৌগদৌরিবনো?" ●

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।